# ব্লেক মনি, শেঙ্গা থুমজা ইন্দিয়ানা খঙবা ঙমদেঃ মোডি

**অন্তলয়া, নভেম্বর ১৬ঃ**
ব্লেক মনি অমসুং শেঙ্গা থুমজাগী ব্রাফম ইন্দিয়ানা খঙবা ঙমদে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা ঙসি টর্কিগী অন্তলয়াদা পাংথোক্লিবা জি ২০ মীফমগী অনিশুবা অমসুং অরোইবা নুমিৎতা ফোংদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী সরকারনা ব্লেক মনি অমসুং শেঙ্গা–থুমজা খঙবা ঙমদে । ইন্দিয়াগী মপান্দা তুংশিন্দুনা লৈরিবা লণ থুমশিং অমুক হন্না পুরক্কবা অনৌবা নিয়ম চৎহল্লগনি হায়খি।

মালেমগী ওইবা শেল থুমগী লমদা থবক পায়খৎলিবা অমসুং য়াইফ থৌরাংগীদমক অকন্বা থবক চঙশিল্লিবা জি ২০ মীফমদা লুচিংবা অদুনা হায়, মালেমগী ওইবা লৈবাকশিংনা মতেং পীন্নদুনা আইন কায়না মপান লৈবাকশিংদা শেল তুংশিন্বশিং মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎপা অমসুং কা হেন্বা বেঙ্ককী থবকশিং য়েংশিনমীননবা ব্রাফমশিং ফোংদোকখি।

চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী বেঙ্ককী সেক্টরদা তৌরিবা থবক



নত্রগা শেল –থুমগা মরী লৈনবা অমদি ফগৎহন্বগী মতাংদা সেলেপ তঙাইফদবা অমনি । তশেংনা অকন্বা মীৎয়েং চঙদুনা হেন্না ফবা টেক্নোলোজি পুথোক্তুনা সেলেপ কয়া হেন্না দরকার ওইবা হন্থহন্বা তঙাইফদে।

বেঙ্ককীং ইনফ্রস্টাকচর ঙাক শেন্বদা সাইভর সেক্যুরিটিনা অচৌবা খুৎলায় ওইগনি।

ইন্টনেসনেল মোনিটরিং ফন্দ কোটা শেমদোকপগী মতাংদা হায়, ইন্টনেসনেল মোনিটরিং ফন্দ কোটা বেজ ইন্সষ্টিট্যুসন অমা ওইনা লৈগদনি। পুথোকপদা মখা পোন্বা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরোইদবনি। মহাক্না থাজে ২০১০ গী রিফোর্ম অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা অথুবা মতমদা অপুঙফহান্নবা থবক পায়খৎপা তঙাইফদে হায়খি।

টার্কিগী অন্তলয়াদা পাংথোক্লিবা নুমিৎ ২ গী ওইবা জি ২০ মীফমদা তোঙান তোঙান্বা লৈবাক ২৬ কী দেলিগেট ১৩০০ না শরুক য়ারি। মদুগী মনুংদা অর্ন্টজতিগী থাক্তা লৈবা ওর্গনাইজেসন ৭ মীহুৎশিংসু শরুক য়ারি। য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামা, রুসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংবু সেক্যুরিটি পার্সোনেল ১২০০ না অকন্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনবদমকসু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে। মীফম অদু য়াওননবা তোঙান তোঙান্বা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা লুচিংবশিং মেন সমিৎ মীটিং সলোন অমসুং ইন্টনেসনেল ব্লেস সেন্টর য়াওনা হোটেল ২০দা লৈরি। হোটেল ৫ না টার্কি দিলিগেটশিংদমক বুক তৌখি হায়না মীফম অদুগী শিন–লাংলিবশিংনা ফোংদোরক্লি। মীফম অদুদা এম্বুলেন্স ৬৮ মেডিকেল মোটোরসাইকল ৮ অথু–কয়াইগীদমক শেম শাদুনা থল্লি। মীফম অদুগী পাউ লৌনবগীদমক মালেম কয়াদগী পাউমী লিশিং ৩০০ শু লৈরি হায়রি।

# পেরিস এটেক্ট ঃ আই এস মিলিটেন্টশিংগা শম্নবনি চিংনবা মীওই ২৩ ফাগৎলে, খুৎলায় কয়া ফঙলে

**পেরিস নভেম্বর ১৬ঃ**
ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা মীওই কয়া হাৎখিবা অমসুং শোকহনখ্রবা মতুং ফ্রান্স ওথোরিটিনা আই এস কা শম্নবনি চিংনব ২৩ অমসুং খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে। ইরাই নুমিৎতা ফ্রান্সকী পেরিসতা লৈবা ষ্টেদিয়ম অমদা এটেক্ট চৎথরক্তুনা মীওই ১৩০ শিহনখ্রবা মতুং মখা তানা চৎথরকপা য়াবা এটেক্টশিং লাকশিন্বা ঙম্লে হায়রি।

ব্রুশেল, ভেলজিয়মদা পুলিসনা অকন্ব ওপরেসন চৎথবদা মীওই কয়া ফগৎপা ঙমখ্রে। ফ্রান্সকী প্রাইম মিনিষ্টর মন্যুয়েল ভালসনা ফোংদোকখিবদা এটেক্ট অদু সিরিয়াদগী শেম শারকখিবনি । ফ্রান্সতা নত্তনা য়ুউরোপ্পী লৈবাক কয়াদা টেরর এটেক্ট চৎথনবা থৌরাং তৌরম্মী।

বেলজিয়ম পুলিসনা মেলেনবিক্তা থী হুম্বগী থবক চৎথরি। হায়রিবা মফম অদু জিহদিগী খ্বাইদগী চাওবা মফমনি হায়না লৌনরিবনি। চৈরকশিদা পেরিসকী এটেক্ট অদুগা মরী লৈননা মরুওইনা থৌদাং লৌখিবা মীওই ৫ মশক মমিং খঙদোকপা ঙমগনি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অমদি মাইগ্রেন অমা ওইনা গ্রিসতা



পেরিসতা আই এসনা এটেক্ট চৎথবদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা মীওই লিশিং কয়ানা প্লেস দি লাদা লৈ কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎলবা মতুং মিনিট অমা তুমিন্না লেপখি।

চৎলিবা চহি অসিগী অঙন্বা শরুক্তা চঙশিল্লকখিবনি। থিজিন্বা কাংবুনা থৌদোক অদুগী মরুওইবা থৌদাং লৌবা মীওই বেলজিয়মদা লৈ হায়না চিংনরি।

অবদেলহমিৎ ২৭ ব্রুশেলদা অতোপ্পা মীওই ২ গা লৈমীন্নরমই হায়না খঙবা ঙম্লে। পুলিসনা ব্রুশেলদা পোকপা সলাহ অবদেস্লাম ২৬ কৌবা মীওই অমা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা চিংনরি। মীওই অদুনা বেজিয়মগী ঙমখৈ লল্হোক্নবা হোৎনবদা খমখি। অদুমওইনমক তুংনা মহাক চৎহনখি হায়রি। হৌজিকসু মীওই অদু ব্রুশেলদা লৈরি হায়বা খঙবা ঙম্লে। চৈরকসিদা ফ্রান্সকী এয়রক্রাফশিংনা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুৎলিংবা সিরিয়াগী রক্কদা এটেক্ট চৎথবা হৌখ্রে। চৈরকসিদা আই এস না ফোংদোকখিবদা এটেক্ট চৎথরিবা মফম অদু মী লৈনদ্রবা মফমশিংনি। মফম অদুদা এটেক্ট চৎথবদা অশোক অপন নঙখিবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোংদোরক্লি।

মন্যুয়েলভালসনা হায়, ফ্রান্সতা চৎথরকখিবা অদু হান্না শেম শারবা অমনি ফ্রান্স খক্তা নৎতনা য়ুরোপকী অতোপ্পা লৈবাক কয়াদসু চৎথরকপা য়াই। মিলিটেন্টশিং অদুনা এটেক্ট অদু হান্না শেম শাদুনা চৎথখি। মখা তানা এটেক্ট চৎথনবসু শেম শারমখি। মদু য়ুউরোপকী লৈবাক কয়াদসু চৎথরকপা য়াই হায়খি।

# বঙ্গলাদেশ মচা অমদগী শাশিন্নবা পাস্পোর্ট ফগৎখ্রে

**মুম্বাই, নভেম্বর ১৬ঃ**
মুম্বাই পুলিস অমসুং ষ্টেট এন্টি টেরোরিজম স্কাৱাদ (এ তি এস ) না বঙ্গলাদেশ মচা অমদগী অশাবা ইন্দিয়াগী পাস্পোর্ট ফাগৎখ্রবা মতুং অকন্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

হন্দক্তা থানে দিষ্ট্রিক্তগী আইন কাইনা চঙশিল্লকপা মীওই অমা ফগৎখিবা মতুং থৌদোক অদুগী লংজা লংজিন ফঙলকখিবনি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না জরখন্দগী মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অমদগী ইন্দিয়াগী পাস্পোর্ট পায়দুনা মীওই ৪০ রোম চঙশিল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়রি। এ টি এস না হায়, এজেন্সি অদুনা থানেপুলিসতা অনৌবা মীওইশিংগী লিজ অমা খুৎশিন্নখ্রে। মখোয় অশাবা রেসন কার্দ , অধার অমসুং অতৈ চে চাংশিং মরুওইনা অশাবা পাস্পোর্ট পায়বনি হায়না ফোংদোরক্লি । পাউ অসিনা সেক্যুরিটিদা অচৌবা চেকশিন্নবগী মরম অমা ওইহল্লে। হন্দক পাস্পোর্ট ভেরিফিকেসন তৌবগী দ্রাইব চৎথবদা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওই কয়া ফাগৎখি। মীওইশিং অদু ইন্দিয়া মচানি হায়বগী শকখঙ চে অমসুং ইন্দিয়াগী পাস্পোর্ট ফঙনবগীদমক অরোন্বা এজেন্টশিংদা লুপা লিশিং ৫–৫ পী হায়রি। ওইরিবা ফিভম অসি সেন্সিটিব ওইবা অমসুং হকচিন্না লৌবা য়াবা অমনি। করম তৌনা মীওইশিং অদুনা অশাবা পাস্পোর্টশিং অদু লাইনা ফঙলিবনো হায়না এ টি এস কী সেনিয়র ওফিসর অমনা হংলক্লি।

এ টি এসনা থিজিন্বদা আইন কায়না চঙশিল্লকপা মীওই অদু গুন্দা খুৎপু অমনা মতেং পাংই। মীওইশিং অদুগী পাস্পোর্ট শেন্বা লোইরবা মতুং হিগী লম্বীদা মখোয়বু চঙশিনহল্লি হায়রি। পাস্পোর্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোংদোকখিবদা নিয়মগী মতুং ইন্না রিজনেল পাস্পোর্ট ওনলাইন্দা মমাং চহিদগী এপ্লাই তৌবা য়াহনখি। দরকার লৈবশিং পাস্পোর্ট ফোর্মদা মেনশিলহল্লি। পাস্পোর্ট লৌননবা হায়রকখিবশিং অধার অমসুং ভোটর আইদি কার্দ মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা আইদিফিকেসন চৎথহল্লি হায়রি।

মহরাজষ্টা নভনিরমন সেনা গী লুচিংবা রাজ থাক্রেনা ইং ২০১২ দা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্কী দাইত্ব বঙ্গলাদেশতগী আইন কাইনা চঙশিল্লকপশিংনি । চহি অদুগী আগষ্ট ১১ দা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক অদুদা মীওই অনি শিহনখি অদুগা ৪৫ না অশোক অপন নঙখি। আইন কাইনা চঙশিল্লকখিবা মীওইনা মুম্বাই পুলিস অমসুং মেডিয়া পার্সনশিংদা এটেক্ট চৎথখিবনি । থৌদোক থোকফমদগী অশংবা মচুগী পাস্পোর্ট ফঙখি। পাস্পোর্ট অদু বঙ্গলাদেশ মচা অমগী মীংদা লৈবনি হায়রি। মুম্বাই পুলিসনা বঙ্গলাদেশতগী আইন কাইনা চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংদগী অশাবা ইন্দিয়াগী পাস্পোর্ট ফাগৎখিবদগী সেক্যুরিটি ফোসনা অকন্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবনি। অদুগুম্বা অশাবা পাস্পোর্ট পায়বা ৪০ হেন্না লৈবাক অসিদা চঙশিলম্বা য়াই হায়না পান্নরি।

# টাইয়র দুকান মপুদা লুপা ক্রোর ৭৭ গী ইলেক্ট্রিক বিল থাজিল্লকপদা ঙক্লখ্রে

**চান্দিগর, নভেম্বর ১৬ঃ**
হরিয়ানগী ফারিদাবদ সহরদা লৈবা টাইয়র রিপিয়র তৌবা দুকান মপুদা লুপা ক্রোর ৭৭ গী ইলেক্টিক বিল থাজিল্লকপদা ঙক্লখ্রে। ফারিদাবদতা লৈবা সুনিলদর ওটোৱাক্কী মপুনা ফোংদোরকখিবদা লুপা ক্রোর ৭৭.৮৯ গী ইলেক্ট্রিক বিল থাজিল্লকপদা মহাক মশা অমসুং ইমুং মনুং ঙকপগা লোয়ননা নিকখি। মহাক সহর অদুদা ভারাদা দুকান অদু ফমদুনা টাইয়র হোবা শেম শাবগী থবক চৎথবনি। মহাক্কী মমাংদা লাকখিবা বিলশিংদদি শুপ্নতংগী লুপা লিশিং ২ নত্রগা ২৫০০ খক্তমক ওইখিবনি। মফম অদুনা ফেন অমা অমসুং ব্লপ অমখক্তমক শিজিন্নে। মমাংগী বিলশিং পন্থবা তৌদনা শেংদোকপা তৌখ্রবনি। হন্দক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদি অঙকপনি হায়খি।

য়ুস্লোন্বশিংনা ফোংদোরকপদা দুকান অদুগী মপুগী অহল ওইরবি মমা কা হেন্বা বিল অদু থাজিল্লকপদগী ডাক্তরদা পুখৎতুনা লাইকহনখি। বিল অদু দক্ষিন হারিয়ানা বিজলি বিত্রান নিগমনা ওটোক্টবর ৩১ ইশু তৌবনি। হারিয়ানগী কঞ্জুমরশিংদা কা হেন্না চাওবা বিল থাজিন্বগী থৌদোক হন্দকী অসিনা অহান্বা নত্তে। মমাং চহিগী ওক্টোবর থাদা সোনিপট দিষ্ট্রিক্টকী গোহানদা ক্কা য়োন্বা মীওই অমদা লুপা ক্রোর ১৩২ গী বিল থাজিল্লকখিবসু লৈখ্রে। ইং ২০০৭ তা হারিয়ানগী নরনাউল সহরদা লৈবা মীওই অমদসু লুপা ক্রোর ২৩৪ গী ইলেক্ট্রিক বিল থাজিল্লকপসু লৈখ্রে হায়রি।

# কুল্লুদা য়ুম ৭০ মৈনা তুম্না চাকখ্রে



**কুল্লু, নভেম্বর ১৬ঃ**
হিমাচন্দ প্রদেশকী কুল্লু দিষ্ট্রিক্টতা ঙরাং নুমিদং য়ুম ৭০ হেন্না মৈনা চাকখ্রে। য়ুমশিং অদু অয়াম্বনা উনা শাবনি। থৌদোক অদুদা লুপা লাক্ষ কয়াগী লন থুম মাং–তাকখ্রে। অদুম ওইনমক খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙবগী পাউদি লৈতে হায়রি।

পাউগী লিখুন অসিনা ফোংদোরকপদা কুল্লুগী কোটলা খুঙ্গংদা য়ুম ৭০ –৮০ রোম মৈনা তুম্না চকখ্রে হায়না কুল্লু দিপ্যুটি কম্মিনর রকেস কনৱারনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা মৈ চাক্লিবা মফম অদুদা সরকারগী টিম অমা থাজিনখ্রে। ষ্টেট অদুগী কোনুং সিম্লাদগী মীওই ২৭৫ মফম অদুদা চঙশিনখ্রে লোয়ননা খুঙ্গং অদুদগী মীওইশিং হোন্দোকপগী থৌদোক পায়খৎখ্রে। মৈ চাকপগী অৱাবা নঙলবা মীওইশিংদা সরকারনা ব্লাঙ্কেট, দাম্বুর অমসুং শামুতুগী ফি–রোলশিং য়েন্থোকখ্রে । হৌজিক ফাওবগী ওইনা মৈ অদু হৌরকখিবগী মরম অমসুং কয়া য়াম্না মাংহন–তাকহনখ্রে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। খুঙ্গং অদু লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা লৈবনা মরম ওইরগা রেস্ক্যু ৱার্করশিং চঙশিল্লকপদা মতম থেংথখি হায়রি।

# চিনাগী লেনস্লাহদতা ২৫ শিরে, অহিংবা মী থিবগী থবক চৎথরি

**বৈজিং নভেম্বর ১৬ঃ**
চিনাগী জেজিয়াং প্রোভিন্সকী লি সুইদা লেন্দস্লাহদ থোকপদগী য়ামদ্রবা মীওই ২৫ শিহনখ্রে । মী কন্বা কাংবুনা অতেক অকায় মরক্তা অহিংবা মী থিবগী অকন্বা থবক চৎথখ্রে।

জেজিয়াং প্রোভিন্সকী লিদোং খুঙ্গংদা হন্দক লেপ্তা চুরকখিবা নোংমা মরম ওইরগা চিং নিংখায়বা অমসুং লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখ্রে। মী কন্বা কাংবুগী মীওই লিশিং ২ না মফম অদুদা অকন্বা থবক পায়খৎলি।

হৌখিবা নুমিৎ খরগী মমাংদগী লমদম অদুদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী য়ুম ৩০ রোম ননশিনখি খুঙ্গং অদুগী শরুক কয়া ঈশিংনা কোইশিন্দুনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা মী কন্বগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া অমা থোকহল্লি হায়না হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৫ শিহনখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে অদুগা মীওই ১২ না থিবা খঙদ্রি। মী কন্বা কাংবুনা অতেক অকায় মরক্তগী মীওই অমা অশোই অঙম য়াওদনা কন্বা ঙমখ্রে।

খঙ–হৈরবা মীওই কয়ানা খুদোংথিবা নঙলিবা মফম অদু নক্না চঙশিন্দুনা য়েংশিন্বগী থবক পায়খৎলি।

ইম্মরজেন্সি সর্ভিস পার্সোনেলশিংনা লৈখোম লৈনাং অমসুং নিখায়রবা য়ুমশিংগী মরক্তা চঙশিন্দুনা অহিংবা মী থিবগী থবক চৎথরি। নুমিৎ কয়ানিগী মমাংদগী লমদম অদুদা নোং লৈপ্তুনা চুমবদগী চিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মী কন্বা কাংবুনা স্নিফর দোগ অমসুং মেছিন কয়া শিজিন্নদুনা অহিংবা মী থিবগী থবক চৎথরি লোয়ননা অৱাবা নঙলবা হিংহৌরিবা মীওইশিংদা সাইকোলোজিশিংনা পাউতক পীবগী থবক চৎথরি। হৌজিক ফাওবদা থি খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু অঙাং অমসুং চহি য়াম্লবা অহলশিংনি হায়রি। লোকেল মেদিয়ানা ফোংদোরকপদা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমসুং ময়ুম মকৈ মাং তকখ্রবশিংদা কম্পেসেন্সন পীবা সরকারনা য়াখ্রে হায়রি।



চিনাগী জেজিয়াং প্রোভিন্সতা নোং লেপ্তুনা চুবদগী লেন্দস্লাইট থোকপদা ওইখিবা ফিভম

# ‘পাটেল কোটাগী মরুমদা কংগ্রেস লৈ’

**অহমেদবাদ, নভেম্বর ১৬ঃ**
গুজরাটতা লোকেল বোদিশিংগী মীখল পাংথোক্কদবগী মাংওইননা চিফ মিনিষ্টর অন্দিবেন পাটেলনা ঙসি ফোংদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা পাটেল কাংলুপ্তা কোটা পীগদবনি হায়বা খোঙজংগী মরুমদা কংগ্রেস লৈ । মখোয়না ৱারোল কয়া শন্দোক্লি হায়বা ফোংদোকখ্রে।

শুরত্তা পাংথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা অন্দিবেন পাটেলনা হায়, হৌজিক মীখল নকশিল্লক্লে কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং মখোয়গী ৱাকরশিংনা মীখল অসিদা উপায় অমা নত্রগা অমা তৌদুনা মাই পাক্লবা হোৎনরক্কনি । শেংনা হায়রবদা হৌখিবা থাদা ষ্টেট শিন্থুনা চঙশিনখিবা পাটেল কোটাগী খোঙজংগী মরুমদা কংগ্রেস লৈ। হৌজিক কংগ্রেসনা মখোয়না লৌখিবা থৌদাং অদু ময়েক শেংনা উৎথোরক্লে । কংগ্রেসকী প্রেপেগন্দাদা মীয়াম চৎতনবা অপীল তৌরদুনা লুচিংবী অদুনা হায়, চহি ২২ শুরবা হর্দিক পাটেলনা লুচিংদুনা থা কয়াগী মমাংদগী পাটেল কম্মুনিটিদা রিজর্বেসন পীননবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মদুগী মরুমদা কংগ্রেস লৈরিবনি হায়খি।

# ইম্ফাল সিটিগী প্রিপেদ কঞ্জুমরশিংদা খঙহনজবা অমা

হৌখিবা ওক্টোবর থা গী তাং ৮,৯ অমসুং ১০ দা সঙাই এক্সপেস মণিপুরী ইদিসনদা ফোংখিবা প্রিপেদ কঞ্জুমারশিংনা মরী লৈনবা পব্লিক নোটিস মদুগী মতুং ইন্না প্রিপেদ মিটর ইন্সটোলদি তৌরমলবা মদুবু কনেক্সন তৌদ্রিবা, প্রিপেদ মিটর দি খুৎসিন্নরমলবা অদুবু ইন্সটোল দি তৌদ্রিবা নত্রগা প্রিপেট মিটর ফংদ্রিবা কঞ্জুমর শিংগী খুদোংচাবা য়েংদুনা এম এস পি দি সি এল না নবেম্বর গী তাং ৩০ ফাওবগী ওইনা প্রিপেট এক্টিভেট তৌবগী মতম ফোংদোকচরি, ঐখোয়না পীজরিবা নম্বরশিং অসিদা কোল তৌদুনা অথুবা মতমদা অদোমগী মিং ,লৈফম, ফোন নম্বর অমদি কঞ্জুমর আই দি না চিংবা রেজিষ্ট্রেসন তৌবিয়ু, নম্বরশিং মদুদি ৭০৮৫০৫৫৬৭৮২, ৭০৮৫০৫৫৬৭৩, ৭০৮৫০৫৫৬৭৪

রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম নিংথৌকাবদগী থাংজ ফাওবা অয়ুক্কী পুং ১০.০০ দগী নুংথিল পুং ৫.০০ ফাওবা।।

সনা-সুদোকু- ৪৬৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 9 | 4 | 8 | 2 | 5 | 7 | 1 |
| 7 | 2 | 4 | 5 | 1 | 9 | 3 | 6 | 8 |
| 8 | 1 | 5 | 3 | 6 | 7 | 4 | 9 | 2 |
| 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 8 | 6 | 5 | 4 |
| 6 | 4 | 8 | 2 | 7 | 5 | 1 | 3 | 9 |
| 5 | 9 | 3 | 6 | 4 | 1 | 8 | 2 | 7 |
| 9 | 3 | 7 | 1 | 5 | 4 | 2 | 8 | 6 |
| 1 | 5 | 2 | 8 | 9 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 4 | 8 | 6 | 7 | 2 | 3 | 9 | 1 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-468**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | | | 6 | | |
| 5 | | | | | 9 | | 1 | |
| 7 | | 8 | | 4 | | | | 2 |
| | | 3 | 6 | | 8 | | 4 | |
| | | 7 | | | | 8 | | |
| | 2 | | 5 | | 3 | | | |
| 4 | | | | 1 | | | | 8 |
| | 3 | | 2 | | | | 5 | |
| | | 6 | | | | 9 | | |

Regd. No. : 456/M/SR/2010
KIME TUTORIALS
MTG BOOKS
An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
Day Boarding for revision class X Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Day Boarding for revision class XII Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Foundation Course for Class X 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
♦ Printed probable questions & answers ♦ Regular Test series on alternate days
♦ Self study hour under the guidance of expert daily ♦ Van service & Hostel facility are available
Day Boarding Timing : 10am-4pm (Refreshment will be provided)
For more details contact Office of KIME TUTORIALS

## ANNOUNCEMENT FOR MSPDCL PREPAID CONSUMERS IN IMPHAL CITY

WITH REFERENCE TO THE PUBLIC NOTICE FOR PREPAID CONSUMERS OF IMPHAL ON 8TH, 9TH AND 10TH OCTOBER IN THE SANGAI EXPRESS (MANIPURI EDITION), CONSUMERS WHO HAVE INSTALLED THEIR PREPAID METER BUT NOT YET ACTIVATED, HANDED OVER THE PREPAID METER BUT NOT YET INSTALLED OR HAVE NOT RECEIVED THE PREPAID METER ARE REQUESTED TO REGISTER THEIR NAME, ADDRESS, CONTACT NUMBER AND CONSUMER ID IN ORDER TO ACTIVATE THEIR PREPAID METER BEFORE 30TH NOVEMBER.

PLEASE CALL THE FOLLOWING NUMBERS 7085055672, 7085055673, 7085055674 TO REGISTER.

REGISTRATION HOURS - 10 A.M TO 5 P.M (MONDAY TO SATURDAY).

MSPDCL PLEDGES CONSUMERS FROM IMPHAL CITY TO CO-OPERATE WITH ITS RELENTLESS EFFORTS TO PROVIDE REGULAR POWER SUPPLY IN EACH AND EVERY HOUSEHOLD.